# ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা নভেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ কোবিদ-১৯না য়ৈথোকহনখ্রে







ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহীসিগী নভেম্বর ২দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ মালেমদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা য়ৈথোক্লে হায়না ঙসি ৱর্ল্ড ফুটবোলগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম মঙাদা চহী ১৭ মখাগী ৱিমেন্স ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। হৌজিক ফাওবদা মালেমগী লৈবাক্ ২০৪দা মীওই ১১,৩৯,১৭৩ কোবিদ-১৯না নহল্লবা মতুং মীওই ৬১,১৪৯ শীহনখ্রবনি। অদুগা মীওই ২,৩৬,২২৯ ফংহনখ্রে। মরক অসিদা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়ানা মীওই ৩,০৮২ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মতুং মীওই ৮৬ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই ২২৯না ফংহনবা ঙম্লি।

চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপগী ৱারেপ অদু ফিফা অমদি তোঙান-তোঙানবা কনফিদরেসনশিংগী ৱার্কিং গ্রুপ্পা অপুনবা ৱারেপ অমা লৌরবা মতুং ফোঙদোরকপনি।

ৱারেপ অসিনা মখা তারদুনা পানামা অমদি কোষ্টা রিকানা পুন্না নুপীগী চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ চহীসিগী ওগষ্ট অমদি সপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদুসু য়ৈথোকখ্রবনি। ফিফাগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা অনৌবা মতম অমা লুপ অসিনা নৌনা লেপ্পুনা মীয়ামদা খঙহল্লক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমদি লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা ফিফাগী মখাদা পাঙথোক্কদবা চহী ১৭ মখাগী ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অদু য়ৈথোকপগী ৱারেপ অমা লৌরকপা অসিদা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়খি।

ফিফাগী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি পব্লিক হেল্থতা মরু ওইবা পুক্লিং চঙশিন্দুনা অমদি শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং য়ুম্বু সিটিশিং, শীনলাংলিবা ষ্টাফশিং, মেচ অদু য়েংবা লাক্কদৌরিবা ভাবোকশিং অমদি পুম্নমক্কী ওইনা ফনবা ৱাখল্লোনদা ফিফানা ৱর্ল্ড কপশিং অসি য়ৈথোকপগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী পীরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ফেদরেসন অসিগা লোয়ননা লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা নভেম্বর থাদা ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্লনবগীদমক অকনবা মওংদা শেম শাদুনা লৈখিবনি। হৌজিক্কী ওইনদি টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপদা শরুক য়াগদৌরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী হকশেলদা শোক্লোইদবা অমদি লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপদা অথিংবা থম্ন বগীদমক ফিফানা লৌখৎলকপা ৱারেপশিংদা তুং ইনগনি হায়খি।

# ফুটবোল সিজন লোইহৌদবদগী স্কোটলেন্দগুম্বা লৈবাক্কী ক্লবশিং য়ু ই এফ এগী দিমান্দশিং পীবা ঙম্লোইদৌরি







লন্দন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

য়ুরোপ লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোলগী লুপ ওইরিবা য়ু ই এফ এনা তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী ফুটবোল লীগশিং লোইশিলহৌদবশিংনা ফাইনান্সকী মতাংদা হন্থনা লৈবা স্কোটলেন্দগুম্বা লৈবাক্না য়ুরোপিয়ন কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌবগী অৱাবা অমা মায়োক্লগদৌরি।

স্কোটলেন্দগী নেসনল ফুটবোল লীগকী মখাদা লৈরিবা ক্লবশিংগী ওইবা ভিদিও কনফরেন্সিং অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু ঙরাং পাঙথোকপা ঙমখিদে। মরক অসিদা বেলজিয়ান লীগনা লৈবাক অদুগী সিজন অদু লোইদ্রবসু কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা তোকহনখ্রবনি। মদুগুম্বা স্কোটলেন্দগী ওইনসু পাঙথোক্লবা শেম শারম্বনি।

মীফম অদু মথংগী চয়োলদা ওইনা য়ৈথোকখি। পব্লিক হেল্থকী য়েংলগা লৈবাক অদুদা পাঙথোক্কদবা ফুটবোল লীগ মেচ পুম্নমক মতম কক্তনা য়ৈথোকখি। স্কোটিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা হৌজিক লৈরিবা ব্রোদকাষ্ট কনট্রেক্ট অসি চহী অমদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২২.৭নি। হায়রিবা শেনফম অসি থংনবা লৈবাক ইংলেন্দদা পাঙথোক্লিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থরবনি।

স্কোটলেন্দগী ক্লবশিংনা য়ুরোপিয়ন কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা ঙমদ্রবদি ব্রোদকাষ্ট কনট্রেক্টশিং অদু য়াম্না হন্থগদৌরিবনি। মরম অদুনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী ওইনা লৈরিবা চেনদা স্কোটলেন্দগী পোজিসন অদু য়াম্না নেমথরক্কদৌরি। য়ুরোপিয়ন কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা অসি লৈবাক অমদি নেসনল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অদু মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুং মদুদগী লাকপা মকোক মথং তাবা ক্লবশিং অদুগী মতুং ইন্না চেম্পিয়ন্স লীগ নত্রগা য়ুরোপা লীগকুম্বা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী অপুনবা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াবগী তাঞ্জা লৈরিবনি।

অদুবু লৈবাক খরদদি টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টনা ক্লব অমগী ইনকমদা খুৎ থিংজিনহন্দবা য়াওরি। মরু ওইনা নেদর্লেন্দসতা লৈবাক অদুগী লীগ টুর্নামেন্টশিং অদু ব্রোকাষ্ট রাইটতা দিপেন্দ তৌদে।

নাকল অমরোমদা য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ২০না শরুক য়াদুনা ফমখিবা মীফম অমগী মতুংইন্না সিজন অসিগী লোইহৌদবা মেচশিং অদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। লোয়ননা মফম অদুদা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লৈরিবা ফিভম অসি ফংগৎলক্কবা মতমদতা শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মসিনা মরম ওইরগা ক্লবশিং অসিগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়না ফংগদবা তোলোপশিং অদু চাদা ৩০ হন্থরকপা য়ানা লৈরি হায়না প্রিমিয়র লীগকী মীফম অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সৌরব গঙ্গুলিনা ইস্কোনগী কোলকতা সেন্টরদা মীওই লিশিং ১০ হেন্না পীজা পীথক তৌনবা মতেং পীখ্রে



কোলকতা, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

মমাঙদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্টেনসু ওইরম্লবা অদুগা হৌজিক্তা লৈবাক অসিগী ক্রিকেট বোর্দ বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরব গঙ্গুলিনা ইস্কোন কোলকতা সেন্তরদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউন মনুংদা মীওই লিশিং ১০ হেনবদা নুংতিগী চানা থক্লবগী মতেং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, ইস্কোন কোলকতা সেন্টর অসিনা হান্নদগী কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লোকদাউন মনুংদা নুমিৎ খুদিংগী মীওই লিশিং ১০ লেম্না পীজদুনা লাক্লি। অদুবু সৌরব গঙ্গুলিনা মফম অদুদা লাক্তুনা অহেনবা মীশিং লিশিং ১০ নুমিৎ খুদিংগী লেম্না চানা থক্লবা পীবা ঙম্নবা মতেং পীরগনি হায়না লাউথোক্লমখি হায়না সেন্টর অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা রাধারমন দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, বেলুর মাথতা লৈবা রামকৃষ্ণ মিসনগী হেদ ক্কার্টরদা সৌরব গঙ্গুলিনা চেঙ কিলোগ্রাম লিশিং ২০ দোনেট তৌবা লৈখ্রবনি। ইস্কোননা লৈবাক শীনবা থুংনা নুমিৎ খুদিংগী মীওই লাখ ৪দা লেম্না অচা অথক পীরি। গঙ্গুলিগী মতেং অসিনা কোলকতা চাবা ফংদ্রবা মীওই কয়া অমগী মতেং পীবদা অচৌবা কান্নবা ওইরগনি হায়খি।

# ইংলেন্দগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা ইংলিস ক্রিকেট বোর্দতা বৃটিস পাউন ৫০০,০০০ দোনেট তৌখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক ২০৪ হেনবদা চৈথেং পীরবা মতুং ইংলেন্দসু ঙসি ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই ৪১,৯০৩ শোকহনখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ৪৩১৩ শীখ্রবনি। অদুগা ফখিবগী মশিংনা শুপ্নগী ১৩৫ ওইরি। ফিভম অসিদা ইংলেন্দগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা মতেং ওইনবা প্রোফেস্নেল ক্রিকেটস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী বৃটিস পাউন ৫০০,০০০গী শেনফম অমা ইংলিস ক্রিকেট বোর্দতা দোনেট তৌখ্রে।

খোঙথাং অসি ইংলেন্দ অমসুং ৱেলস ক্রিকেট বোর্দকী চীফ একজিক্যুটিব ওইরিবা তোম হেরিজননা মহাক্কী ক্লবতগী চাদা ২৫ ককথরগা লায়না লাইচৎ অসি লান্থেংননবা দোনেট তৌখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা প্রোফেস্নেল ক্রিকেটস এসোসিএসননা দোনেসন অসি তৌরকপনি।

লৈবাক অদুদা কোবিদ-১৯না মরম ওইরগা ইংলিস ক্রিকেট সিজন অসি মে ২৮ ফাওবা য়ৈথোকখিবনি। লোয়ননা ৱেষ্ট ইন্দিজ, পাকিস্তান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টুর অদুসু মতম লেপ্পা ঙমদ্রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইংলিস ক্রিকেট বোর্দনা শান্নরোয় অমদা অককনা মখোয়গী তোলোপ অদুদগী ককথবগী ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। অদুবু প্রোফেস্নেল ক্রিকেটস এসোসিএসনগী চীফ একজিক্যুটিব ওইরিবা তোনি আইরিসনা ক্রিকেটকী ৱেবসাইট অমদা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয় অমদা য়ামদ্রবা মখোয়গী তোলোপতগী চাদা ২০ হন্থবদা অয়াবা পুরক্লবা খঙহনবা লৈখি হায়রি।

অমরোমদা ইংলেন্দগী নুপীগী কনট্রেক্ট ফংলবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী লৈবাক অদুগী নুপাগী টিমদগী তোলোপ য়াম্না হন্থনা ফংলবসু মখোয়না এপ্রিল, মে অমসুং জুন থাগী তোলোপশিং অদু কোচশিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগা লোয়ননা হন্থনা লৌরগা হন্থরিবা শেনফম অদুনা দোনেসন তৌবগী ৱারেপ লৌনখি।

# ৭৩রক শুবা আই এফ বি বিগী ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ্তা মীৎয়েং অমা



**নিংথৌজম সিবদাস**
*প্রসিদেন্ট,*
আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিট

ইন্টর্নেসনল ফেদরেসন ওফ বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস (আই এফ বি বি)না লিংখৎলকপদগী চহী খুদিংগী লেপ্পুনা ইন্টর্নেসনল কংগ্রেস মীট পাঙথোকপগা লোয়ননা ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক চহীগী ওইনসু য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটকী ফুজ ৱাহ জয়েদ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবাক ১৬৯তগী লাকপা দেলিগেটশিংগী অপুনবা কংগ্রেস মীট পাঙথোকপগা লোয়ননা ৭৩রক শুবা আই এফ বি বি ৱর্ল্ড মেন্স বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী নভেম্বর ৬তগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী শাফবা ১০ থারগা গ্রুপ রাউন্দ চংবা ঙম্লবা লৈবাক ৭০ মমিং ওইনা পল্লবদা য়ু এস এ, রসিয়া, চাইনা, জেক রিপব্লিক, সাউথ অফ্রিকা, ইন্দিয়া, সাউথ কোরিয়া, ইরান, ইরাক, স্পেন, সাউদি অরাবিয়া, চাইনিজ টাইপৈ, জর্মনি, য়ুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স, অমেরিকান সমাও, ইটালি, অষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, টর্কি, য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেট, ইজিপ্ট, জপান, সুদান, মোঙ্গোলিয়া, পোলেন্দ, জোর্দান, স্লোভাকিয়া, রোমানিয়া, ক্রোসিয়া, ফিনলেন্দ, হঙ্গেরি, ক্কাইট, পোর্টুগাল, ফিলিপিন্স, নেদর্লেন্দস, নোরৱে, মোরোকো, ঘানাা, পেলেষ্টাইন, সুইদেন, কলম্বীয়া, লেবানোন, নাইজেরিয়া, য়েমেন, পাকিস্তান, নেপাল, শ্রী লানকা, বংলাদেশ, কজাকস্তান, য়ুক্রেন, লিবিয়া, অলজেরিয়া, সাইরিয়া, নোর্থ মেসেদোনিয়া, বহারেন, গৌটের্মলা, ইষ্টোনিয়া, লিথোপিয়া, সের্বিয়া, মোন্তেনেগ্রো, সমাও, কোসোভো, অজরবৈজান, অমদি এল সালভাদোরদগী লাকপা শান্নরোয় পুন্না ৫৯০না মরুওইবা কেটগরি মঙা হায়বদি ৱর্ল্ড গেমস ক্লাসিক বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ, ৱর্ল্ড ক্লাসিক ফিজিক চেম্পিয়নশিপ, ৱর্ল্ড মেন্স ফিজিক চেম্পিয়নশিপ অমদি ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখি। লোয়ননা ওপন কেটগরিগী ওইনা মস্কুলর মেন্স ফিজিকসু পাঙথোকখি।



চেম্পিয়নশিপশিং অদুদা ইরাননা গোল্ড ১০, সিলভর ৪ পুন্না পোইন্ট ২২৫ ফংদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টিম চেম্পিয়ন ওইখি। মথংদা য়ু এ ইনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩, অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পুন্না পোইন্ট ১৮২ ফংদুনা অনীশুবা তাখি। রসিয়ানা পোইন্ট ১২৪, রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা পোইন্ট ১০৭ অমদি য়ুক্রেননা পোইন্ট ১০০ ফংদুনা মথংশীৎনা ৩শুবা, ৪শুবা অমদি ৫শুবা পোজিসন তাখি। পোলেন্দ, স্লোভাকিয়া, সাউথ কোরিয়া অমদি য়ুক্রেননা গোল্ড ২/২ ফংখি। চাইনা, জমর্নি, শুয়েতেমলা, জপান, রসিয়া, শ্রী লানকা অমদি টর্কিনা গোল্ড অমমম ফংখি।

হন্দক চহীগী পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ইরানগী শান্নরোয় মেহদি আরজেসমান্দনা ওভরওল ৱিন্নর ওইদুনা লেমজনিংঙাই ওইবা মিষ্টর ৱর্ল্ডগী মিংথোল ফংখি। ৱর্ল্ড গেমস ক্লাসিক বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা য়ু এ ইগী শান্নরোয় খালিফান শামরুখনা ওগরওল ৱিন্নর ওইখি।

ইরানগী শজাউ চেগেনিনা ৱর্ল্ড ক্লাসিক বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ওভরওল টাইটল ফংখি। ক্লাসিক ফিজিক চেম্পিয়নশিপকী ওইনা য়ুক্রেনগী য়ুরি সাইমোহলয়দনা ওভরওল ৱিন্নর ওইখি। চাইনাগী লিউ মাও য়িনা মেন্স ফিজিক চেম্পিয়নশিপকী ওভরওল ৱিন্নরগী মনা ফংখি। অমদি মস্কুলর মেন্স ফিজিক ওপন কেটগরিগী ওইনা ইরানগী হোসীনা করিমিনা ফংখি। মসিগা লোয়ননা আই বি বি এফ এ কী মণিপুরীমচা মোইরাংথেম রোবি মৈতৈনা বোদিব্লিংগী কে জি ৮০গী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল, দিল্লিগী নুর মোহমদননা মেন্স ক্লাসিক বোদিবিল্ডিংদা মরীশুবা অমদি কর্নাটকাগী পায়ুশরাজনা মেন্স ফিজিক্তা মঙাশুবা পোজিসন ফংলকখি।

# নেমরনা কোরোনাভাইরস লান্থেংননবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১ কৎখ্রে



রিও দি জেনৈরো, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

মালেমগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না ফংবগী অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবা ব্রাজিলগী হৌজিক হৌজিক্লা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা নেমরনা য়ুনাইদেট নেসন্স লিচদ্রেন ফন্দ (য়ুনিসেপ) অমসুং ব্রাজিল চেরিটেবল ফন্দদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১ কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লান্থেংননবা মতেং পীখ্রে।

মশাগী চহী ২৮দা ঙাইরিবা নেমরনা মহাক্কী পি এস জি ফুটবোল ক্লবকী টিমমেট কিলিয়ান মাপেনা হৌখিবা থাদা ফ্রান্সকী চেরিটি অমদা মতেং ওইনা য়াল্লবা শেনফম কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ থেংননবদা মতেং পাঙখিবনি। ব্রাজিলদা টেলিভিজন প্রসেন্টর অমা ওইরিবা অদুগা কুমজা ২০২২গী প্রসিদেন্টসেল ইংলেক্সনদা মীরেপ ওইগনি হায়না লৌনরিবা নেমরগী মরুপ লুসিয়ানো হকনা হৌদোকখিবা চেরিটেবল ফন্দ অদুদা নেমরনা মতেং পীখিবনি। হৌজিক হৌজিক নেমর রিওদা মশামক হোম ক্কারেন্টাইন তৌজদুনা লৈরি।

# বোরুসিয়া দোর্টমুন ষ্টেদিয়ম মেদিকেল সেন্টর ওইনা শীজিন্নরগনি

বর্লিন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

জর্মনিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম ওইরিবা সিগনেল ইদুনা পার্ক হায়নসু খঙনরিবা ষ্টেদিয়ম অসিগী মফম কয়া শেমদোক্তুনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ মনুংদা অনাবশিং লায়েংনবা মেদিকেল সেন্টর ওইনা ওন্থোক্লগনি হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

ক্লব অদুগী দিরেক্টর অনী হান্স জোকিম ৱাটচকে অমদি কার্ষ্টেন ক্রামরনা পুন্না পীখিবা চেরোল অমদা বর্লিন সিটিগী সিম্বোল অমা ওইরিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা লৈরিবা টেক্নিকেল অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী খুদোংচাবা অদুনা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা মতেং পীবা ঙম্বগী অচৌবা তাঞ্জা অমা ফংগদৌরি।

মীওই লিশিং ৮১ চনবা ষ্টেদিয়ম অদুগী অৱাং থংবা ষ্টেন অদুদা লোকেল মেদিকেল এসোসিএসনশিংগা খুৎশম্নদুনা মেদিকেল সেন্টর অদুদা চেকঅপ তৌবা, হিদাক লাংথক পীবা অমসুং কোবিদ-১৯গী হৌরকপা লায়েংসু পীগদৌরি।

# শান্নবদা হান্নগা মান্নদবা অমদি চেলেঞ্জিং ওইবা মতম অমা ওইরি : নরিন্দর বত্রা



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট (আই ও এ) অমদি ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী (এফ আই ঐচ)কী মকোকসু ওইরিবা নরিন্দর বত্রনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী লোকদাউন মতম অসিনা শান্নবগী লমদা হান্নগা মান্নদবা অমদি চেলেঞ্জিং ওইবা মতম অমা মায়োক্লহল্লে হায়খি।

মমিং লৈরবা শান্নবগী চেনেল অমগা ৱারী শান্নখিবদা নরিন্দর বত্রনা ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী লোকদাউন মনুংদা শান্নরোয়শিংনা থেংনরিবা অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মতম অয়াম্বা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মীফম শরুক য়াদুনা য়াম্না মথৌ চিনবা মীওই ওইরবসু হন্দক্কী মতাং অসিদদি য়ুমদা লৈদুনা তপইংবা মতম শাংনা ফংবা ঙম্লে। মসিমক মহাক্না পাল্লি, নুংঙাইতবা তৌদে হায়খি।

ৱারী শান্নবা অদুদা মহাক্না নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা তোয়না ৱারী শান্নদুনা হৌজিক লৈরিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী ফিভম অসি জুলাই/ওগষ্ট থা য়ৌরকপদদি খরা লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না পান্নরি। মরম অদুনা শান্নবগী থবক থৌরম পুম্নমক জুলাই থা ফাওবা লৈররোই হায়খি।

লোকদাউন মনুংদা ৱাটসঅপকী সোসল মিদিয়া খুথাংদা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ শেমদুনা ফেদরেসনশিংগা ৱারী শান্নরি। শান্নরোয়শিংনা লোকদাউন লোইরবা মতুংদা মখোয়না হান্না পায়খৎলম্বা মশান্নশিং অমদি টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াবদা অৱাবা লৈরোই হায়খি।

শান্নরোয়শিংনা শেল-থুমগী মতাংদা কদায় ফাওবা শোকহনবা য়াবগে হায়না হংখিবগী পাউখুমদা লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্লনবা হিদাক পুথোক্লিবা ফাওবদি মীয়ামগী ৱাখলদা অকিবদি অদুমক লৈখিকগনি। অদুবু শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী পর্ফোমেন্স হন্থদনবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীরিবা গাইদলাইন/এদভাইজ রিশিং মপুং ফানা ইন্দুনা মেন্টেল ষ্ট্রেস লৈতনবা হোৎনবীয়ু হায়খি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংগী হৌজিক ফাওবদা তোলোপ ককথবগী ৱাফম লৈত্রি। মদুগী ওন্নদবা শান্নরোয় অমদি লুপ কয়ানা পি এম কেয়র ফন্দদা হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ২.৪৫ দোনেট তৌরক্লি।

# অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপকী টাক্স ফোর্সনা চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস):

মালেমগী মফম খুদিংদা শনে দারক্লিবা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক চানা থক্লবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপকী টাক্স ফোর্স অমা শেমদুনা লুপ অসিগী শীনতাকপুরেল, শীনতাক অহলশিংদা চানা থক্লবা চেঙ, হৱাই, অলু, কোবিনচিংবা মতেং তৌখ্রে।

ট্রাক্স ফোর্স অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা লৈবা শীনতাকপশিং অমদি শীনতাক অহলশিংদা মতেং পাঙখি। লোয়ননা লুপ অসিনা মখা তানা অৱা অনা তারবশিংদসু মতেং পাঙখিগনি হায়না লুপ অসিগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী মোংয়াম্বনা ফোঙদোরক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com